**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-12-2024)**

**বস (এল)ঃ** ইম্ফালদগী সেনাপতি অমসুং ইম্ফালদগী চুরাচান্দপুর ফাওবা পাব্লিক ভেহিকল সার্ভিস তৌবা ঙসিদগী হৌরগনি হায়না রাজ্য সরকারনা খঙহনখ্রবসু পেসেঞ্জর অমত্তা লাক্তবদগী গাড়ি অমত্তা চৎখিদ্রে।

রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-বিনিত জোসিনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না শান্তি রক্ষাগী ফিভম কুপা য়েংশিল্লবা তুংদা মীয়ামগী খুদোংচাদবা কোকহন্নবগীদমক পাব্লিক ভেহিকলশিং সার্ভিস তৌবা হৌরগনি হায়না ঙরাং খঙহল্লকখিবনি।

মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী গাড়িশিং চেনবা হৌনবা গাড়ি অমদি ড্রাইভরশিং শেম শাদুনা লৈখি। অদুবু, পেসেঞ্জর অমত্তা লাক্তবদগী গাড়িশিং অমত্তা চৎখিদে। ঙরাং থাদোরকখিবা চীফ সেক্রেটরিগী চেরোল অদুগী মতুংইন্না ঙসিদগী মথৌ তৌবা হৌগদবা লম্বীশিং অদুদি-ইম্ফালদগী কাংপোকপী ফাউদুনা সেনাপতি ফাওবা অমসুং ইম্ফালদগী বিষ্ণুপুর ফাওদুনা চুরাচান্দপুর ফাওবগীনি। লোয়ননা মফম অদুদগী অমুক ইম্ফালদা হল্লকপগী বস সার্ভিসশিং অসিনি।

রাজ্যগী ট্রান্সপোর্ট মন্ত্রি-খাশিম বাশুমনা হায়রি-মনিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টনা মীয়ামগী য়েংদুনা বস সার্ভিস হৌনবা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিদা মীয়ামনা মতেং পাংবীয়ু।

ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মন্ত্রিনা হায়-মতম খরা লেপ্পুরবা বস সার্ভিস লাক্লিবা খৃষ্টামস কুম্মৈগী য়েংলগা ইম্ফাল-চুরাচান্দপুর অমসুং ইম্ফাল-সেনাপতিগী বস সার্ভিস অমুক নৌনা হৌহন্নবা সরকারনা ৱারেপ লৌখিবনি।

অমরোমদা, রাজ্য সরকারনা পাব্লিক ভেহিকল সার্ভিস তৌবা হৌরগনি

হায়বা ৱাফম অসিগী মায়োক্তা কাংপোকপী জিলাদা ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী হৌখিবা পুং ৪৮ গী সটদাউন্দ মীয়মাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা থোক্লে। সরকারগী অনৌবা থৌরাং অদুগী মায়োক্তা লৈদুনা চংশিল্লিবা সটদাউন্দগী খোঙজং মনুংদা ওফিসশিং, দুকানশিং থোং হাংনখিদে। লম্বীদা গাড়ি চৎপগী চাং হন্থখি। মশিং য়াম্লবা নুপীশিং থোরক্কুনা জিলা অসিগী গমগিফাইদা খোঙজং চংশিনখি।

**ডে (এল)ঃ** সংকৃটনবু য়ুনেস্কোগী ইন্টেঞ্জিবল কলচরেল হেরিতেজ ওফ হ্যুমেনিতিগী কাংলুপ্তা চনখিবা নুমিৎপু নিংশিংদুনা ঙসি সংকৃটন নুমিৎ পালন তৌরি।

মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা শ্রীশ্রী রামজি প্রভু মান্দপতা রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগ অমদি মণিপুর নট সংকৃটন অপুনবনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখি। রাজ্য অসিগী চৎনবী অমদি নাৎকা মরী লৈনবা পুং, ঈশৈ য়াওবা পার্ফোমিং আর্ট মখল অসি ইং ২০১৩ গী দিসেম্বর তাং ৪ দগী ৭ ফাওবা অজরবাইজানগী বাকুদা পাঙথোকপা য়ুনেস্কোগী ৮ সুবা ইন্তর গভর্নমেন্টেল কমিতিগী মীফমদা পুখৎতুনা য়ুনেস্কোগী ইন্টেঞ্জিবল কলচরেল হেরিতেজ ওফ হ্যুমেনিতিগী কাংলুপ্তা চনবা ঙম্লকখিবনি। নুমিৎ অসিবু নিংশিংবা ওইনা দিসেম্বর ৪ বু সংকৃটনগী নুমিৎ হায়না পালন তৌরগনি হায়না হৌখিবা চহি ২০২১ দা রাজ্য সরকারনা লাউথোকখিবনি।

শ্রীশ্রী রামজি প্রভু মান্দপতা পাঙথোকখিবা পালন থৌরম অসিদা লৈখিদ্রবা গুরু রাজকুমার সিংহাজিৎ সিংহগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি। থৌরম অদুদা মণিপুর নট সংকৃটন অপুনবগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সঙ্গিৎ নাটক একাদমি এৱার্দি- লৈমাপোকপম লাখপতি অমসুং রাজ্য সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগকী কম্মিসনার এম. জোয় সিংহ শরুক য়াখি। লোয়ননা মণিপুর নট সংকৃটন অপুনবগী কাংবুনা মিনিট ৯০ গী ওইবা নট সংকৃটন উৎখি।

নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম রিজনেল সেন্টর ফোর কলচরেল হেরিটেজ মনিপুর অমসুং য়াইরিপোক সঙ্গীৎ আশ্রম নত্ত কলেজনা শিনদুনা য়াইরিপোক বামোন লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জে.এন. মনিপুর দান্স একাডমী ইম্ফাল অমদি অতৈ তোঙান তোঙানবা সংস্কৃটনগা মরী লৈনবা ইন্সটিট্যুসনশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

**মহারাষ্ট্র ঃ** বি.জে.পিগী লূচিংবা দেবেন্দ্র ফদনাভিচ মহারাষ্ট্রগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা হয়েং ৱাশক লৌরগনি।

ঙসি ফমখিবা বি.জে.পিগী কোর কম্মিতি মীতিংদা মহাকপু লেজিসলেতিভ পার্তিগী লূচিংবা ওইনা খনখিবনি। মীফম অদুদা কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমলা সিতারামন অমসুং গুজরাতকী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি বিজয় রুপানিবু বি.জে.পি. দলগী ওবজার্ভর ওইনা শরুক য়াখি।

হয়েং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমদি বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং য়াওনা সাউথ মুম্বাইগী অজাদ মৈদানদা মুখ্য মন্ত্রি-দেবেন্দ্র ফদনাভিচ মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌগনি।

নিংশিংবা য়াই, পুন্না সিট ২৮৮ লৈবা মহরাষ্ট্র বিধান সভাগী মীখলদা বি.জে.পিনা সিট ১৩২, শিব সেনানা ৫৭, নেসনেলিষ্ট কংগ্রেস পার্তিনা সিট ৬১, শিবা সেনা (উধব বালা সাহেব থাক্রে) না সিট ২০, ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসনা সিট ১৬ অমসুং লেমহৌরিবা সিটশিংনা অতোপ্পা দলশিংনা ফংনখিবনি।

**য়ুম ঃ** কেন্দ্রগী রুরেল দিবলপমেন্ট মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়রি-লৈবাক অসিগী লাইরবা মীওইশিংগীদমক্তা পাকাগী য়ুম কোতি অনি লাখ ৯৫ শারগনি।

ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা

হায়-লাক্লিবা চহি মঙা অসিদা য়ুম কোতি অনি হেন্না শারগনি। মহাকা মখা তানা হায়-পি.এম. অৱাস য়োজনা (রুরেল) গী মখাদা য়ুম লাখ ৩৮ শাননবা লুপা কোতি লিশিং ১০,৬০০ হেন্না কায়থোক্লে। শ্রী শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়-পি.এম. জনমানগী মখাদা শেনবা চহি ২০২৪-২৫ গী ওইনা ট্রাইবেল মীয়ামগীদমক য়ুম লিশিং ৪৫ হেন্না শাখ্রে। নুপীদা অহেনবা শক্তি পীবগী মতাংদা পল্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-আজিবিকা মীসনদা নুপী কোতি ১০ হেন্না শরুক য়ারি। মহাকা হায়-হৌজিক ফাওবদা নুপী কোতি অমা লাখ ১৫ লাখপতি দিদিশিং ওইখ্রে।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামদা অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুক হাৎখিবগী থৌদোক অদুবু থিজিন্নবা ফেক ফাইন্দিং টিম অমা শেমলে।

মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন (এম.এস.সি.ডল্লিয়ু) না থোকপা চেরোল অমনা হায়-টিম অসিদা কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন অমসুং মেম্বর অনি য়াওরি। মীহুৎ কাংবু অসিনা মমাং থাগী ২৮ দা জিরিবামদা চৎতুনা মীহাৎ অসিগী মতাংদা থিজিনখি। মীহুৎ কাংবু অসিনা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগসু উন্নখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা এ ডে ৱিট কম্পানি কম্মান্দর হায়বা থৌরম অমা নোনে জিলাগী হাউচোং সি.ও.বিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি অসাম রাইফলস অমদি মপুং ওইনা নহা অমদি অঙাং য়াওনা লমদম অদুগী মীয়ামনা অফবা মরী থমবগী পান্দমদা পাঙথাকপনি। মদুদা ওজা, মহৈরোই অমদি খুলগী মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

**বোর্ড (এল)ঃ** বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা লৌবা ইং ২০২৫ গী ক্লাস টেন পরিক্ষাগী ফোর্ম ফিল্প, থা অসিগী ১৬ তগী হৌরগনি। মরী

লৈনবা হায়স্কুল অমসুং হয়ার সেকেন্দরিশিংনা বোর্ডকী ৱেব সাইটতগী অকুপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি হায়না বোর্ড অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

**রাজনাথ ঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা লুচিংবা কেন্দ্র সরকারগী দিফেন্স একুয়্যইজিসন কাউন্সিলনা ভারত নেভিবু মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অনৌবা খুৎশু খুৎলায়শিং লৈনবা লুপা কোতি লিশিং ২১,৭৭২ গী শেনফম কাইথোক্লে।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং ফমখিবা কাউন্সিলগী মীফমনা ভারত নেভিনা পাঙথোক্লিবা মেরি টাইম ওপরেসনশিং অমদি লৈবাক অসিগী সমুদ্রগী ঙমখৈ পরিংদা ঙাকশেলগী ফিভম ফগৎহনবা অমদি মী কনবগী থবকশিংদা খুমাং চাওশিহন্নবা অনৌবা ৱাটর জেট জহাজ ৩১ লৈনবা ৱারেপ লৌখি। কাউন্সিল অসিনা ভারত মহাসাগর অমদি বঙ্গোপ সাগরদা পাইরেটসিগী থবক থৌরমশিং থিংবা য়াওনা ভারতকী সমুদ্র মপালদা লৈবা থাউ শুংফম য়াওনা মরুওইবা মফমশিং ঙাকশেগী থবক কনখৎহন্নবা অতোপ্পা এদভান্স লাইট হেলিকোপ্তর অমসুং ফাষ্ট ইন্তরসেপ্তুর ক্রাফটশিংসু লৈননবা য়ান্নখি।

**কোপরেটিব** ঃ সরকারনা হায়রি-লৈবাক অসিগী নুপীশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা কোরপোরেটিব সোসাইতিশিং হেন্না চাউখৎহন্নবগীদমক নেসনেল কোওপরেটিব দিবলপমেন্ট কোরপোরেসন (এন.সি.বি.সি) না লুপা কোতি লিশিং ৭,৭০৮ গী শেনফম কায়থোক্লে।

রাজ্য সভাদা ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা কেন্দ্রগী কোওপরেসন মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়-লৈবাক অসিগী ওইনা রেজিস্তার তৌরবা নুপীশিংগী ওইবা সোসাইতি লিশিং ২৫,৩৮৫ লৈরি। মহাকা হায়-এন.সি.বি.সিনা নুপীশিংগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা য়াওনা লল্লোন ইতিক্কী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক্তা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

শ্রী সাহনা হায়-কোওপরেটিব সেক্তরশিংদা নুপীশিংবু হেন্না শরুক য়াহন্নবগী পান্দমদা সরকারনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিদা দেরি কোওপরেটিব লাখ অমা লিশিং ৪৪ হেন্না মথৌ তৌরি। মসিদা খুঙ্গংগী নুপীশিংনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌরি।

**ফাইব-জিঃ** সরকারনা হায়রি-লৈবাক অসিগী জিলা ৭৮৩ গী মনুংদা জিলা ৭৭৯ দা ফাইব-জি সার্ভিসকী খুদোংচাবা লৈরে।

লোক সভাদা ইদুনা পীবা পাউখ্ম অমদা কেন্দ্রগী কম্যুনিকেসন অমসুং রুরেল দিবলপমেন্টকী রাজ্য মন্ত্রি-ডা: পেমাসানি চন্দ্র সেখরনা হায়-লৈবাক অসিদা ফাইব জি বেজ ত্রান্সসিবর ষ্টেসন লাখ ৪ মখায় হেন্না ইন্সটোল তৌখ্রে। মহাকা হায়-সমুদ্র খোঙবান য়াওনা অতৈ মফম কয়াদা টেলিকোম সার্ভিস প্রোভাইদরশিংনা ফাইব-জি সার্ভিসকী খুদোংচাবা ফংহল্লি।

**লেফট ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি-নিত্যানন্দা রাইনা হায়রি-হৌখিবা চহি মঙা অসিদা লৈবাক অসিগী জিলা ৬০ দা লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজমগী চৈথেংশিং লাকশিনবা ঙমলে।

ৱাফম অসি ঙসি রাজ্য সভাদা ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা শা নিত্যানান্দনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজম থেংননা পায়খৎলকপা নেসনেল পোলিসি অমসুং এক্সন প্লাননা মফমশিং অসিদা হিংশাগী থৌদোকশিং হন্থনবা ঙমলে। মন্ত্রিনা হায়-২০১০ গা য়েংনবদা হৌজিক হিংশাগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং চাদা ৭৩ গী চাংদা হন্থহল্লে। মহাকা হায়-লান্মীগী মীওইশিং অমসুং মীচমশিং শিবগী চাংসু হন্থরে।

**ইসরোঃ** য়ুরোপিয়ান স্পেচ প্রোবা থ্রি সেটেলাইট পুবা ইন্দিয়ান স্পেচ রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো) গী পি.এস.এল.ভি-সি-ফিফতি নাইন হয়েং

নুংথিল পুং মরি মিনিট ১২ চৎপা মতমদা থাগৎলগনি।

পি.এস.এল.ভি-সি-ফিফতি নাইন রোকেটনা য়ুরোপিয়ান স্পেচ এজেন্সিগী কিলোগ্রাম ৫৫০ লুম্বা প্রোবা থ্রি সেটেলাইট অসি শ্রীহরিকোতাদা লৈবা ছতিস ধাৱন স্পেচ সেন্তরদগী ঙসি নুংথিল পুং ৪ মিনিট ৮ দা থাগৎনবা শেম শাখিবনি। অদুবু, খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী সেটেলাইট অসি হয়েং থাগৎনবা নৌনা মতম লেপখিবনি। সেটিলাইট অসিনা নুমিৎকী এটমোসফিয়ার অমদি সোলর ৱিন্দগী মতাংদা কুপা থিজিন্নবা পান্দম থল্লি।

**হোক্কি** ঃ মেন্স হোক্কি জ্নিয়র এসিয়া কপকী ফাইনেলদা ভারতকা পাকিস্তান ঙসি নুমিদাং পুং ৮ মখায়দা শান্নরগনি। ওমানগী মস্কেটতা ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ভারতনা মালেসিয়বু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

**রেসলিং** ঃ অনিশুবা দিষ্ট্রিক্ট জ্নিয়ার ইন্দিজিনস নাগা রেসলিং চেম্পিয়নসিপ-২০২৪ ঙসিদগী সেনাপতি জিলাগী এস্ট্রো তর্ফ গ্রাউন্দদা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী তরুক ফাওবা চথগনি। মসিদা তোঙান তোঙানবা চহি কাংলুপকী রেস্লর ৬৬ না তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিদা শরুক য়ারি। টুর্নামেন্ট অসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট রেসলিং এসোসিয়েসন মনিপুরনা ভারত লান্মীগী রেড সিল্ড দিভিজনগী শেন্থং মখাদা শিনবনি।

**ফুটবোল** ঃ ২১ শুবা বটালিয়ন অসাম রাইফলস, মোদি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন চান্দেলনা শিনদুনা চথরিবা লেট সিপোই-সি.আর. নিকালস মোয়োন মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কপাম দিবলপমেন্ট ক্লবনা চন্দোনপোকপী ৱাই.সিবু পাঞ্জল ৩-৪ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট** ঃ চহি ১৯ মখাগী এসিয়া কপ, ৱান ডে ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট মেটচকী

গ্রুপ (এ) গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ভারতনা য়ু.এন.ইবু ৱিকেট ১০ দা থোইখ্রে।

**চেস** ঃৱার্ল্ড চেস চেম্পিয়নসিপতা ভারতকী গ্রান্দ মাষ্টর দোমারাজ্ গুকেসনা হান্নগী চেম্পিয়ন চাইনাগী দিং লি রেনগা ঙসি থেংনরগনি। সিঙ্গাপুরগী রিজোর্টস ৱার্ল্ড সনতোসাদা থেংনগদবা অসিনা গেম ১৪ রক শান্নগদবগী মনুংদা ৮ শুবনি।
য়াখি।